# মণিপুরী থাজ ৱারীদা লুৱাং চনু তরুক - সোরারেনগী লৈবাক্তা খোংজোম্নুবী ওইনা লৈখ্রবী

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*অথোইবা মফম, পাখংবগী মকোকথক্তা মীতৈনা খুন্দাবা মফমদা, নোংদা লাইরেন পাখংববু লুৱাংনা কোনবা মফম, মরাক ময়ুং পাক চাউনা পানবা লমদা, মীতৈ ঈশৈ শকপনা হায়নবদি নুমিৎকী মখোয় লেন্নবা থাঙগী ময়ানা ঈশিংদা য়ানবদা থৌবগুম্না, ৱাঙাঙ লেম্বা মক্রিক্না নোংমদোনগী খোংজোম্নুবীবু হায়নবদি মতা তরুক্কা লোয়ননা ময়ায়দা খোংলম শানা অতিয়াদা তকুপ তরেংনা কারকই হায়দুনা খোংচোম্নুবী কৌই।*

*নোংথৌ সোরারেনগী লৈবাক* - নোংদোন অতিয়াবু অসুম্না মিংগৌনৈ ঐখোয়না। চহী লীশাং শীৎনা লৈরক্লবা ঐখোয়গী থাজনবীনি মদুদি কুমগী নোংনা খোঙদোইরকপগা ইরোয়ননা সোরারেনগী লৈবাক্তা খোংজোম্নুবীশিং থোরকই। নোংপোক থংবা মায়কৈদা ইরং লংনা থোরক্লিবা থৱান্মীচাকশিংদো খোংজোম্নুবীনি হায়না থাজনৈ। তগুপ তরেং ঙাল্লিবা মখোয়বু উবদা পূক্নিংসে ওন্থোক্না নুংশিজখ্রজাৎনি। খোংজোম্নুবী তরেৎনিসু হায় তরুক্নিসু হায়। ওইনীংবা ওইজসনু, পূম্নমক্তু মা মাগী থাজনবীনি। ঐখোয়গী থাজনবীদা লুৱাং চনু তরুক্না ওনখিবী খোংজোম্নুবীশিংগী নুংওল্লবা ৱারী লৈ। ইচম চম্বা ৱারী নত্তে, খুন্নাই অসিগী পূন্সি অমদি থৌসু থৌচৎলোনগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা খোংজোম্নুবীশিংনি। মখোয়না অতিয়াদগী কুফেৎ কাফেৎনবা মঙালগা লোয়ননা মালেমদা য়েংথরকপদো কুমগী নোং য়ৌরক্লে হায়না মপাউপীরকপগুম্না থাজনৈ। মদুদসু নত্তনা হারি নোংনাংবু খোংজোম্নুবীগী মপারীনি হায়না থাজনৈ।

লুৱাং লমগী চনু নিঙোল তরুক্কী নুংওল্লবা থাজ ৱারীনি। অঙনবা মতমগী খুন্নাইদসু নুপী ওইবীশিং নৌরিবঁে মতমদগী হৌনা শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। ঈনথা-লোংখোন, শীং চনবা, এঙ্খাং-নাপি থিবা, ফিশা-লোনশানচিংবা পাঙবনা মথৌ ওইবী চনুরাশিংনি। লুৱাং চনু তরুকসু অদুমঙায়, নোংমত্তসু মথৌ শিন্থা পাঙথোকপা লেপ্তে। নোংমা হাওকু অতাম শোয়দা ঙা ফাবশিংদগী ঙা তিক্কে হায়দুনা লাকখি। মতম অদুদা হাওকু পাখং তরুকসু শোয় অদুদা ঙা ফাদুনা লৈরম্মী। অসুম্না মফম অদুদা পাখং-লৈশাশিংদু থেংনরম্মী। ইনখৎলকপা মথোৎ কারকপগী হৌনশা পাখংশিংদুনা চনু নিঙোলশিংদুবু হেক উবগা খোয়দারম্মী। থোৎ মেঙলবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা হাওকু পাখং তরুক অদুনা লুৱাং চনু তরুক অদুদা পাউথেন্লকপদগী অসুম্না অৱাই অখুম তৌনরম্মী-

*... তনৌ তনৌরিবী ইবেম্মা, লুৱাং চনু শকহেনবীশিং-ও! ঙসি কোরৌ নুমিৎসে লূদা ঙা চঙবা ৱাংলে। ঈশিৎপদসু ঙা মচা মশূফাওবা য়াম্না ফাবা ঙমদ্রে। ঙসি অহিংসিদি মফমসিদা লেকথোকখ্রো। হয়েং ফাবা ঙাশিংদু পুরগা হনখো।*

*... অদুম্না হায়বীগনু হাওকু পাখংশিং-ও! মতিক মঙান নাইরবা লেমজনফম ওইরবা লুৱাং ইপা, ইপল, ইবুং-ইম্বা ঙাক্তনি। লমচৎ নাইদবীনি হায়দুনা ফূবী চৈবীগনি। ঙসি ঙা ফাদ্রবদি য়ূমদা হল্লগে, হয়েং অমুক হন্না লাক্কে।*

*... লুৱাং চনুশিং-ও, নবূক্লিংদা করিগীদমক অকিবা চিংনবা ফাওবনো? নখোয়গীদমক ঐখোয়না লেপ্লি। হিংলবসু হিংমিন্নসি, শিরবসু শিমিন্নসি।*

অসুম্না পাউথেমদুনা চনু তরুক্কী থম্মোয়বু খুদুম চনশিনখ্রে। পাখং তরুক্কী নুংশি লীপুন্না চেৎনা পুনশিনখ্রে। অহিং অদু অতাং শোয়গী লৌশঙদা হাওকু পাখং তরুক অমদি লুৱাং লৈশা তরুক অদু মাগী মাগী পূংবা শেমদুনা য়ারেকমিন্নখ্রে। মথং নুমিৎকী কায়নরমদাই মীকূপ য়ৌরকপদা পাখংশিং অদুনা মাগী মাগী মশানৌশিংদা অসুম্না পাউমেঙ্খি-

*... লুৱাং চনুশিং-ও, হোরেন য়ূম য়ৌবদা পলেম-পম্থৌ, নবুং-নৌম্বা, নচে-নন্দোনশিংনা ফূ-চৈবা তৌদুনা নখোয়বু ঈন্থোক্লবদি ঐখোয়গী নাক্তা লাকউকো। ঐখোয় পূন্না নোংথৌ সোরারেনগী মনাক য়ৌনবা চত্তুনা নোঙ্গামিন্নসি। ঙসিদগী মঙানি শুবা নুমিত্তা তেন্দোংয়ান্দা ঐখোয় থেংনসি।*

অসুম্না পূকমেন পাউমেন্নরবা মতুংদা লুৱাং চনু তরুকমক ময়ূমদা হল্লকখি। য়ূম য়ৌরকপা মতমদা মমা মপা মবুংশিংনা ফূ চৈদুনা অসুম্না ৱারক্লম্মী-

*... নপা নমানা হায়বা ঙাঙবা লৌদবী ৱারক তাদবী, য়ূম পানবদা হৌনদবা লীচৎ চৎপীশা! করিগীদমক হাওকু পাখং তরুক্কা শোয়দুনা অহিং লেনমিন্নরুবনো? নখোয় তরুক্না ঐখোয়বু লৈখা তাহল্লে। নখোয় য়ূমদা চঙলকপা য়ারোই।*

অসুম্না লুৱাংগী মমা মবেনশিংনা মশম মনা ফোয়দুনা ফূবা চৈবা অমদি মপা মপন, মবুংশিংগী অথীবা মীচৈগা লোয়ননা ইন্থোকপদগী চনু নিঙোল তরুকমক ইকায়বা অকিবা পোক্তুনা ময়ূমদা চঙবা ঙম্লমদে। হায়নখিবা মতুংইন্না তেন্দোংয়ান্দা মশাবী তরুকপু ঙাইজখি। অদুবু থানখিবা মতম নুমিৎ মঙানি শুদ্রিবা মরম্না হাওকু পাখংশিংদুদি মখুন্দা ওক থিবা চৎখিরম্মী। ওন্থোকপা লাইবক্লি মখোয় তরুক্কী মনুংদা লৈমা য়াংদৌ অতাউবীদি নাউপুবা মকুম মথা শুরদুনা মতারোয়শিংগী মতুং ইন্দুনা চৎপা ঙমদনা লৈহৌই। মচাদু তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোকপগী মহুত্তা হারি নোংনাং ওইনা পোল্লম্মী। মচা অদুগী মখোয় খোয়রীবু লম থাঙথৌ কৌবা নাপীনা লেনখি। মচাদা মমানা অসুম্না পাউমেল্লম্মী-

*... ইমাগী ইবুংঙো লোনথোকপা উচেক নঙদি ইমাগা নোংদোন কামিন্নবা য়াররোই। ইমানা নঙবু নাউয়োক নাউকোনবসু ঙম্রোইদৌরি। নমা ঐনা নোংথৌ সোরারেনগী মনাক্তা লৈরবা মতুংদা চহী খুদিংগী ইঙা থাদা ইমা ইচা উন্নসি। ইমানা কুম হৌরে তাক্লক্কে। ইঙা থাগী থামৈ ইঙেন থা হৌরকপদা নঙনা হাউনা মতোন্দা তোংদুনা নোংদোনথক্তা য়েংখৎলগা ইমাগী পাউজেল ওইনা খোংলকউ। নমা ঐনসু ইঙেল য়ৌরে হায়না লাউথরক্কে।*

অসুম্না পূকমেন পাউমেল্লম্লগা লৈমা য়াংদৌ অতাউবীদো মতাশিংবু কৌর কৌরদুনা নোংদোন তম্না কাখি। মখোয়না চীং কয়া মফম কয়া মথং মথং লান্দুনা লাকপনা সোরারেনগী মনাক য়ৌরক্লম্মী। নোংথৌ সোরারেন্না মাগী মনাক্তা মখোয়না লাকপগী মরম হংলকপদা ৱারম পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা তম্লম্মী। হাওকু পাখং তরুকসু মখোয়গী খোঙ্গুল লীরক্তুনা সোরারেনগী মনাক্তা থুংলম্মী। মখোয়না সোরারেনগী মফমদা খুকউ খুদক কূন্না মখূৎ লোন্নদা খুরুমদুনা মশানৌশিংগা পূন্না লৈহনবীনবা হায়জরম্মী। অদুবু সোরারেন্না অসুম্না হায়রকখি-

*... মফম অসিদদি নুপী নুপা য়ূম্বান্দুনা লৈমিন্নবা য়াদে। লুৱাং চনু নখোয় তরুক্তি মফম অসিদা লৈরো। চহী খুদিংগী ইঙা থা হৌরকপা মতমদা মালেম কূম্লগা হাওকু পাখংশিংগা উনদুনা নচা হারি নোংনাং পোকচররো।*

মসিগী মতুংদা হাওকু পাখংশিং অমদি লুৱাং চনুশিং নুংশি নুংশিনা কায়নখি। অদুবু নোংথৌ সোরারেনগী থৌজাল মতুংইন্না চহী খুদিংগী ইঙা থা হৌগৎলকপদা লুৱাং চনুশিংনা ওনখিবী খোংজোম্নুবীশিংনা মালেমদা কূমথরক্লম্মী। মমা মচা হাওকু পাখংশিংগা অমুক্তং উনদুনা মচা হারি নোংনাং পোল্লম্মী। থাজ ৱারীনি। অদুবু মীওইবগা শা-উচেক, থৱান্মীচাকশিংগা লৈনবা তৎন-থানদবা মরী অদু তাক্লি। অমরোমদা খুন্নাইগী লোনচৎ থুগায়বগী মহয় অফবা ওইগন্দে হায়বগী পাউজেলসু য়াওই। ●

# সেদ্যুল্ড ত্রাইব খঙদবা ওইগনিদা

- নবকুমার ওইনা -

ঙাঙনবা য়াবা ঙাঙনরে হায়বা য়ারে। সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইনা লাউথোকপা অমসুং লাউথোক্তবু লায়রি। খঙনরমদবা ৱাফম ময়াম অমা খঙনরে হায়বসু য়ারে। ঙাঙনবা লোইবা ঙমদবা অসিমক্তি ফজবা ৱাফম ওইরোই খল্লি। খঙদবা মানবা অমসু ঙাঙনরিবা অসিদা য়াওফম থোকই। য়েৎনরিবশিং অসিনা তাকপসু খঙলিবদু মান্নদে হায়বা ওইগদৌরিবনি।

লৈঙাক পায়রিবা মীয়াম্না খঙদ্রবদি মী অমনা খঙলুবা য়াবা নৎত্রি। লোনা খঙলবা মতুংদা ময়াম্না খঙনবা হায়বদুনি। লো হায়বদুবু কদায়দা লৈবজাৎনো। ষ্টেট লৈঙাক অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না খঙদ্রবদি কনানা ইকায়বা তারক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক শেমদ্রিঙৈদা ত্রাইব হায়বা লৈরবসু বৃটিশ লৈঙাক্না সেদ্যুল্ড অসি শেল্লম্বদি নত্তে। ডা. অম্বেদকরনা ইবা মতমদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন মনুংদা সেদ্যুল্ড অসি শেল্লকপা ওইগদৌরিবনি। ইন্দিয়নশিংনা ইবদা মীতৈবু মশক খঙলমদমসি কনানা ইকায়ফম থোকপগে? মীতৈশিংসু ইকায়ফম থোক্লিবনি। 'মণিপুর' হায়বদি সেদ্যুল্ডদা য়াওবা য়ারোইদৌরিবনি। মমিং খঙদবা ফূরুপকী লৈফম লৈবা হৌনদে।

হৌজিক ঙাঙনরিবসি কান্নবা ফংবগী ৱাফমদগী হৌনা ফূরুপ মুৎপগী ৱাফম য়ৌরক্লে। কান্নবা খরদু মুন্নবগী ৱা অমনা হেন্না মরু ওইনা লৌনখিবদগী ঙাঙবা য়াই-য়াদে খঙদনা পংঙাঙতা ঙাঙনবদগী থাক অমদা লাকখ্রে।

কান্নবা কান্নদবগী ৱা য়াওগে-য়াও, য়াওরোই তোকউ, লুরিবদি ফূরুপ অমগী আইদের্ন্টিটি মুৎপা অসিনা হেন্না মরু ওইরক্লিবনি। মূখরক্লবা ফূরুপ অমনা হিংনবা হোৎনবদা অসুক শোল্লিবা করিগীনো? হিংবা ঙমগদৌবা মাল্লক্তে। সেদ্যুল্ড ত্রাইব করিনো খঙলমদবদুদি লায়বু লায়রি, হিংনবা লম্বী খঙলমদবা ওইরবদি করি তৌগদৌরি। সেদ্যুল্ডদা য়াওবদুদি য়াওনীংই হায়রগা পংয়াও য়াওশিনবা, য়াওনীংদ্রগা তোকপা য়াবা নত্তে। য়াওরোই হায়বসু অপঙবা ফূদোকপনি, য়াওগনি হায়বসু পঙহায় হায়নবনি। কান্নবগী মুন্নবদা পঙলাং লাংবদুসু ক্বাক্লা লুখাক কোমদা চিক্লবা মাল্লক্কদৌরিবনি। সেদ্যুল্ডগী থৌওংসিনা ফূরুপ মূখৎপগী লাল্লোং ওইনা শীজিন্নরম্বা অসিমক্তি ফূরুপ অমগীদি মরায়বক য়াম্না থীরবা অমনি। হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ য়াওরমদবগী ওইফম থোক্লিবনি। হেন্না ঙক্লিবদি সেদ্যুল্ড লিষ্ট শেম্বদা চুম্না শেম্বা ঙমখিদবশিং অদুনি, মখোয়দা কেস অমা পাল্লোইদবগী মরম করিনো? কেস ওইনা তৌগদৌবদা রেদিওগা পাউচেগদা লাউবনা কান্নবা লৈগনি থাজরক্তে। শামু মথুন্দা পেনা খোংজিনবা ঈশৈ হৈবা নত্তে।

মীতৈ খরদি ইন্দিজিনস ওইরিবসিদা কান্নবা ফংহল্লোই হায়বনি। ম্যান্মারদগী চঙলকপা ময়াম সেদ্যুল্ডগী কান্নবা ফংলিবনি। চীংদা লেবর ওইরম্বা মপান লমগী মীওই কয়াগী মচা মশুশিং সেদ্যুল্ডগী কান্নবা লৌরিবসি সী এস ও খরনা খঙদ্রবসু, লোৎলবসু, মীয়াম্নদি খঙই। ত্রাইবেল খুদিং সেদ্যুল্ডদা য়াওগনি হায়বা লৈতে, লমদমসিগী ইন্দিজিনিয়স ওইগদৌবনি হায়বনি। জেরুসালেমদগী খৃষ্টান্না লমদমসিদা সেদ্যুল্ডগী কান্নবা লৌফম থোক্তে হায়বসি আর এস এসনা হায়রক্লবনি। মীয়াম্না হান্ননা খঙনরমদবা অমনি। মীওই অমগী ৱাফমদু লূপ অমগী ৱাফম ওইনসু পঙলৌ লৌনফম থোক্তবনি। লূপ অমগী ৱারেপসি ময়াম্না য়াবা ওইগদৌবনি, মীওই অমা-অনীগী ৱাফম ওইগদৌবা নত্তে। ইন্দিজিনিয়স হায়বসি ইন্দিজিনিয়স কলচর ঙাকপদুনি, নাট ঙাক্তবশিংনা সেদ্যুল্ডগী কান্নবা লৌফম থোক্তে হায়রকপনি। লোগী মনুংদা য়াওজবনি, পংঙাঙ ঙাঙনগদৌবা নত্তে, লোগী টেবলদা পুখৎপা চঙই। লোবু এক্সর্সাইজ তৌদবা হায়বসি লোদু লৈতবা, লানবা নৎত্রগা খঙদবা ওইগনি, মদুসু মীনা তৌগদেবীনি, লৈবাক অমা শিল-লাংলিবসি মীননি। মীনবু শোয়রবা লৈঙাক অদুসু শোয়রকপা মশানা তাবনি। লমদমসিগী মীয়ামদা ইন্থোক্লগা লাওহল্লিবা, কাওনহল্লিবসি য়েন কাওনবা য়েংবগুম্বনি। লৈঙাক মপূ লৈতবগুম্বনি। লৈবাক অমগী মীয়ামদুবু মশক মুন্না খঙদবশিংনা লৈঙাক পুবা মতমদা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা ৱাথোক্লি। মহৌশানি হায়না খনবসু লৈরিবনি। খঙগদৌবশিংনা খঙদ্রগা খঙদবশিংদা ইন্থোক্লগা থম্বা হায়বসি য়েন কাওনবা য়েংলগা মতম লেন্থোকপগুম্বনি, থৌদাং লৌবা কৌদে। য়েক্লবা ওইবসু য়ারিবনি।

লৈবাক খরদদি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসরশিংনা পীবা সজেসনসি য়াম্না হকচিন্না লৌনৈ। লমদম অসিদদি মদুমক্তি উবা ফংদ্রি হায়গনি। সজেসন লৈতবা ওইবসু য়াই, সজেসন্দু লানবা ওইবসু য়াই। অচুম্বা পুথোকপা হায়বসি খন্ন-নৈনবা হায়বসিনা পুথোকপসু য়ারিবনি। খন্নবা য়াদবা নৎত্রগা খন্নবা হৈতবশিংগী ৱারেপ ফজবা লৈবা হৌনদে। লুরিবসি খন্নবা হৈবদুসু অমনি, থোকউ-থোকউবা পঙহায় হায়নরগা ৱা খন্নরবনি হায়বসু য়াদ্রি। ফম্মিন্নবা য়াদনা লাপ্না লাউনবনা ৱা খন্নরবনি হায়বা য়ারক্কদৌবা লৈতে। মপূং ফানা খন্ন-নৈনদ্রিবা ৱাফম অমবু মাঙজৌননা লাল্লি-চুম্মী লেপ্পা য়াবা নত্তে। মথোং খঙদনা পংঙাঙ ঙাঙনরবদি ৱা কায়নবা শিনবা য়াওরব্রা চিংনবা ফাওনরিবনি। শানা শিদ্রিঙৈদা লাংজানা হাৎপা ওইথোক্তবা নত্তে। হাৎকে হায়রবদি পুম্বা ঙায়নদে। মীদা কৈ মমায় উপশিল্লগা অঙাং কিহল্লগা হেক্তা কৈ ওইরগদৌবদি লৈতে। লমদমসিগী ফূরুপশিংগী মমিং পংহোংদা হোংবগী হৈনবী অমা লৈরবনি। মিংদু পংহোংদা হোংলবদি ইন্দিজিনিয়স ওইরক্তে হায়রক্কদৌরি। লাইনীং পংহোংদা হোংলবদি নাৎ ঙাক্ত্রবনি, ইন্দিজিনিয়স ওইদ্রবনি। মসিবু কদায় ফাওবা লোনা শেন্নরিবগে? মদু ঙমদ্রগনা লোদু অহিংবা লো ওইরিব্রা, অশিবা লো কৌগদৌরিব্রা? দেমোক্রেসিগা লোগা শম্নবা ৱাৎলব্রা, অনীং-অনীংবা পংঙাঙতা ঙাঙনবা পঙতৌদা তৌবা য়ানরব্রা? দেমোক্রেসি চৎলবসু ৱাখলদি মোনার্কিক ওইরিবা মাল্লি।

ৱাথোক ওইনবা শেম্বা মাল্লক্লিবসি সেদ্যুল্ডগী ৱাফমসি ইন্ট্রিন্সিক ওইনা ষ্টেট অমদা ইনশিনবা অসিসু অমনি। কনাবু সেদ্যুল্ডদা য়াওগদগে হায়বা সবজেক্ট অসিদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মথৌনি। ৱারী ৱাখোঙদি কম্মিটি অমা লাক্লগা থিগৎকদৌবনি। খঙফম থোক্তবা ষ্টেট লৈঙাক্তা থৌদাফম থোক্তে, মীয়ামদা ফোংনা হংবা তাবনি। মীওই হুম্ফুনা খঙদ্রগা ফূরুপ অমা উদবা হায়বসি মিৎ তাংবশিং শামু য়েংমিন্নবা মাল্লক্লি। কম্মিটি মেম্বরশিংদু কন্ত্রি অসিগী মীয়ামসি মুন্না খঙবা ওইগদৌবনি। অমনা অমনা হায়বা পঙলৌ লৌবা মী ওইরোইদৌবনি। মীওই খরদা ফূরুপ অমা মূখৎলু হায়না থৌদাবগা মান্নরকই হায়গনি। দেমোক্রেসিনি মতম চঙগনি, থৌওং শোয়রবদি কাঙ্খাথাঙ ফেংবনি হায়গনি। সেদ্যুল্ডগী রাইট নমহৎলগা কন্সটিট্যুসনবু লান্না শীজিন্নবনি হায়গনি।

দেমোক্রেসিদা অপঙবগী ফিদা লৈতে হায়রিবসিনা চুল্লবদি দেমোক্রেসি হায়বসি কয়াৎশুরবা লৈঙাক নত্তে হায়গনি। রাইট অমবু দ্যুটিনি নশানা তৌগদৌবনি হায়বসি ঙাইদুনা লৈরবদি গুদ গভর্ণান্স নত্তে। পাম্বৈ লৈহন্দবা, তায়নফম লৈহন্দবা হায়বসিসু এক্সপ্লোইটেসন অমনি। মায়কৈ কয়াদগী ফূরুপসি মূখৎখ্রবনি।

অসিগুম্বা লৈবাক অমদা অদুগুম্বা ফূরুপ অমা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা তারবদি লম্বীদা কোয়চৎ চৎলগা লাউবনা য়াগনি থাজদে। সেদ্যুল্ডদা য়াওগদৌবনি হায়বসি মীচম অমনা, ওফিসর অমনা ইলেক্টেদ অমনা হেক্তা খঙগদৌবনি হায়বা লৈত্রে। খঙদে, শৌগত্তে হায়না ৱারৌবা, শাওবা লাল্লি। য়াওহনফম থোক্তে হায়রিবশিং অদুনা হায়ফম থোক্তবশিং হায়রগা শান্নবগী মতম মাঙগনি। সেদ্যুল্ডগী ৱাফম অসিবু ফূরুপ মরক্তা শিংচেপ থাজিন্নবা ওইনা লৌবা তারবদি কাঙলূপ মরক্তা নুংশিনদনবা শিনবা থৌশিলনি, কনাগুম্বা খরবু কনাগুম্বা খরনা হুইরোয় ওইনা শীজিন্নরব্রা হায়বগী চিংনবা য়ারিবনি। মদুমক ওইরক্লবদি ফূরুপ অমা মরূ ফংনা মূখৎনবা শিনবনি হায়নসু লৌনরক্কনি।

মালেমগী ওইবা ৱাথোক নত্তে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মনুংগী ৱাথোক অমনি। সেদ্যুল্ডদা চনগদৌবা/চল্লোয়দবা খঙবা ঙমদবা হায়বসি অঙকপা লৈবাক অমনি হায়গনি। খঙনা খঙনা তৌদবা ওইরবদি নেসন অমগী মীয়ামগী ৱাখলদা খেন্নরিবা চমম্নবশিং উথোকপা হৌরক্লিবনি। 'অপঙবা ফূরুপ' ওইনদুম উনরকপসু য়ারিবনি। মীফম অমনা লায়নাদু ফগদৌবসু লৈতে।

লৈঙাক অমা লৈনা লৈনা লৈঙাক্কী থবকশিং মীয়াম্না ঙম্না পায়শিল্লক্লবদি মীপূম খুদিংদা চমম্নবা থোক্কনি। মদু লৈঙাক্তুনা থোকহনবনি হায়গনি। মীয়াম অদুগীদি খ্বাইদগী মরাইবক থীবা তাঙ্কক অমা ওইগনি। ফম্নাইবশিংনা করি তৌগনি খঙহৌদবগী চহী ৭৫ চুমথোকপা ঙম্লক্তবা হায়বসি অশোনবদু উথোকচরীবনি। ৱাখল লৌশিং ৱাৎপগী মমিসু অদুম তাজবা উনগদৌরিবনি।

অরোইবদদি ইশম শম্না সেদ্যুল্ড ত্রাইব হায়বসি খঙলমদবগী ওইগদৌরি। হৌজিকসু ফম্নাইবশিংগী মরক্তা খঙদবা য়াওরিবা মাল্লকপদুনি। মীওই খরনা নাপলগী ফিমু অমনা কুপশিল্লগা থল্লিবরা হায়বগী চিংনবসু য়াওনরিবনি। মীতৈ খরদি সেদ্যুল্ডগী কান্নবা ফংলি। ●

## কবুই সমিতিগী ৯১শুবা কুমওন থৌরম মার্চ ৭, ২০২৪

# মণিপুরদা কবুই ফূরুপকী থৌদাং

- ডি এল কবুই -

কবুই ফূরুপ অসি মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা অশেংবা ওরিজিনেল ত্রাইব অমনি। মসিমদি য়েৎননীংঙাই ওইদ্রবা ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মসিগী চপ চাবা খুদম-চাংদম হায়ববু কবুই ফূরুপকী অরিবা ৱারীশিং, মতিক-মগুণ লৈরবা লাইগী খুভমশিং, কবুইনা খুন্দারম্বা মফমদা লেঙদ্রবা ময়েক লারবা খুদম চাংদমশিং অমসুং মণিপুর পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা ময়েক শেংনা তাকই। মরম অদুনা কবুইনা কবুই মাঙননবা থবক তৌবা অচুম্বা নত্তে। কবুইনা মণিপুর কায়ননবা তৌবা থবক অচুম্বা নত্তে। কবুই ফূরুপকী কলচর, কবুই জগোয় মালেম পৃথিবীনা শকখঙলবা মমিং চৎপা জগোয়নি। কবুইবু লান্না উনবা তৌবা থবক অচুম্বা নত্তে। মালেমদা কবুইগী য়াম্না ফজবা শুক্নাৎনবগী মশক ওইরবা য়ূম্ফম কবুইনা থোঞ্জবা তাই। মসিনা মণিপুর ইন্টিগ্রিটিগী য়ূম্ফম ওইগনি খল্লি।

**'কবুই সমিটি'** হায়না মিংথোনবা লূপ অসি ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈদা লিংখৎখিবা চহী ৯১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মার্চ ৭, ২০২৪, শগোলেশন নুমিত্তা পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিদা **'মণিপুরদা কবুই ফূরুপকী থৌদাং'** হায়বা হীরমদা মীৎয়েং থমদুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকচগনি।

কবুইগী অরিবা মতম অমদি মৈহৌরোলগী ৱারীদি য়াম্না পাক চাউখ্রে। মখোয়শিং অদুদি ঙসিগী ওইনা থমজররোই। অনৌবা যুগকী ওইনা **'মণিপুরদা কবুই ফূরুপকী থৌদাং'** হায়বগী হীরমদা মীৎয়েং থমজরি। হায়রিবা হীরমসিদা চাউরাক্না অহুম থোক্না য়েংবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি : (১) মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম, (২) বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা কুমজা ১৮৯১-১৯৪৭কী মতমদা পানখিবা নিংথৌগী মতম অমসুং (৩) ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবা, হায়না অহুম থোক্না য়েংবনা অচুম্বা ওইগনি খল্লি। মরমদি, হায়রিবা মতমশিং অসিদা চৎনরম্বা আইনশিং অসি অয়াম্বনা মান্নরবসু চৎনরোল আইন খরদি য়াম্না চাউনা খেন্নবা উবা ফংগনি। মরম অদুনা হায়রিবা আইনশিংসি মচা খাইনা য়েংবা ঙমদ্রবদি অচুম্বদু মমুৎ তানা খঙবা ঙমদবা য়াই।

**অহানবদা : 'মণিপুর'** হৌজিক ওইরিবা মণিপুর অসি ওইদ্রিঙৈ মতমদা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা নিংথৌ কয়া পাল্লম্মী। মখোয়শিং অদুগা কবুইগা চান্ন-চিন্ননা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লৈমিন্নবগী ৱারী কয়া থেংনৈ। ৱারীশিং অসিদা কবুইশিংনা কৎথোকপগী থবক, থৌদাং লৌখিবা ৱারীনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই।

**অনীশুবদা ;** বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা কুমজা ১৮৯১-১৯৪৭কী মতমসি মণিপুরদা নিংথৌ পাঙ্গরবসু লৈবাক্কী অরুবা ৱায়েল বিচারনচিংবা চৎনবী আইন খরদি বৃটিশকী অয়াবা লৌদবা য়াদবা ফীভমদা লৈখি। বৃটিশকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা য়াদবা মতম ওইখি।

অদুগুম্বা মতমদুদা মণিপুরগী কম্বীরোন খুলদা পোকচবা কবুই মচা অমগী লমজিং মখাদা বৃটিশকী মায়োক্তা নীংতম্বগী ঈহৌ অমা শাগৎখি। মমিংনা যাদোনং কবুই কৌই। যাদোনংনা হৌখিবা ঈহৌ অদু মরৈবাক নীংতম্বগী ঈহৌনি। ফূরুপ অনী অহুম খক্কীদমক হৌখিবা ঈহৌ নত্তে। মীয়াম্না খঙদ্রবসু মাগী ৱাখলদদি মণিপুর নীংতম্বগী ঈহৌনি। মদুগী খুদম চাউনা মমি তাই। মদু খঙদুনা বৃটিশ লৈঙাক্না যাদোনং কবুইগী অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা লৈবা মতম্লি। যাদোনং কবুই মশা য়াওদবা থৌদোক অমদা মীহাৎপগী মরাল পীশিন্দুনা কুমজা ১৯৩১গী ওগষ্ট ২৯দা বৃটিশ লৈঙাক্না যাদোনং কবুইবু শিবগী চৈরাক পীদুনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি।

কবুই নিঙোল গাইদিনলিয়ু মণিপুরগী নুংকাও খুলদা পোকখি। বৃটিশকী মায়োক্তা নীংতম্বগী ঈহৌদা লমজিংবশিং অদুদি, নুপাদা যাদোনং কবুই, নুপীদা গাইদিনলিয়ু কবুই মখোয় অনীনা ওইখি। কুমজা ১৯৩২দা মশাগী চহী ১৬ শুরকপদা কবুই নিঙোল গাইদিনলিয়ুবুনা মপূন্সি চূপ্পা জেলদা থমজিনখি। চহী নৌরিবী মণিপুরগী চীংগী কবুই নিঙোল অমবু মপূন্সি চূপ্পা জেলদা থম্বসি মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা নুপী পূম্নমকপু ইকায়বা পীবনি হায়না মণিপুরীগী পাউচেদা ফোঙলুবগীদমক পাউমীদু বৃটিশ লৈঙাক্না থা ৬ জেলদা থমখি।

**অহুমশুবদা :** ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৭তা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংলবা মতুং খক্তদা কবুই নিঙোল গাইদিনলিয়ু জেলদগী থাদোকখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী নুংকাও খুলদা পোকচবী কবুই নিঙোল গাইদিনলিয়ুবু **'ৱাণী'** টাইটল, ফ্রীদম ফাইটর, পদ্ম ভুষণ অমসুং লুপা অমা পীবা মাগী শক্তম য়াওবা পোষ্টেল ষ্টাম্প পুথোকপা অসিনচিংবা কয়া পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মাগী চহী চাম্মা শুবা মপোক কুমওন্দা লুপা ৫ অমসুং লুপা ১০০গী নীংশিং শেল পুথোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মখল কয়া রানী গাইদিনলিয়ুগী মিংদা ইকায়খুম্নখ্রে।

পূম্নমক অসি কবুই মচানা চাওথোকফম থোকই, মণিপুরনা লেমজফম থোকই হায়না লৌজে।

**কবুই সমিটি মণিপুর :**- কুমজা ১৯৩৪গী মার্চ ৭, লমতা থাগী শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা শ্রী পি জি মচুল্লুং (অলেং) কবুই, খুল্লাকপগী য়ূম কৈশামথোং কবুই খুলদা চীংগী কবুই লুচিংবা অমসুং প্রজা ৫০০ য়াওনা মী ১,৫০০ রোম লাক্তুনা মহামহিম শ্রীলশ্রী ১০৮ যুক্তা মনিপুরেশ্বর মহারাজ কে সী এস আই, সী বি ঈ ভক্ত রাজর্ষি শ্রী কুণ্ড সেবা বিনোদ ধমন পালকবীর সার চূড়াচান্দ সিংহ চুরামনি হুয়েন লাংশৈ ফা, ঐখোয়গী য়াইফ থোইরবা নিংথৌ য়াওনা থায়না মমাঙঙৈ ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগী হৌজিক মতম অসি ফাওবদা খুল অমগা খুল অমগা শা-লান তৌদুনা য়েক্ন-তিংখং ওইনা লিংজেল মান্নবা ঙমদনা পাল্লম্বা পূম্নমক পুমকোক কোক্তুনা সদেস চাওখৎহনবগা লোয়ননা জাৎকী মঙ্গল ওইনবা লম্বী থিবা হায়বগী পান্দমদা কবুই সমিটি শেমখি। লোয়ননা ইনিংথৌদা সেনজেংগী পুখম অমা, তেঙ্গোৎ অমা কত্তুনা হৱাও কুম্মৈ তৌদুনা সনা কোনুংদা জগোয়নচিংবা শাদুনা নুমিৎ নীনি ইম্ফালদা লৈখি।

ময়াম অদুগী চান-থক্লবা মহারাজনা পুথোকপীদুনা কৈশামথোং কবুই খুলনা থৌরাং তৌখি। মশা-মশাগী মখুল তান্না হনখিবদা চাবা ওক্লবা চেঙজেলনচিংবা থৌরাং তৌবীখি। মতৌ অসুম্না মণিপুরগী নিংথৌ সার চূড়াচান্দ সিংহ, কে সী এস আই, সী বি ঈনা পেত্রোন ওইদুনা কবুই সমিটি মণিপুর শেমখি।

**কবুই সমিটিনা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী মনুংদা শিংথাবা য়াবা থবক খরা :-**

কবুই সমিটিনা পাঙথোকখিবা থবকসি য়াম্মী, মরু ওইবা খরা উৎচরি। কুমজা ১৯৩৪গী এপ্রিল থাদা তমেংলোং হেদ ক্বার্টরদা, খুল অমগা খুল অমগা চঙনবা য়াদনা শা-লান তৌনদুনা মখূৎ চানদবনচিংবা লিংজেল মান্নবা ঙমদনা লৈরম্বদু কোক্লবা পুজা অমা তৌদুনা **'চুমশু গারৌমৈ'** গী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা য়েক্না তিঙ্খং লৌথোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় ইচিল-ইনাল ঙাক্তনি হায়না নুংশি চান্ননা লৈহনখি। পুজাগী মাইবনা (১) গোলমৈ লুংনিমবৌ, চাখামৈ খুল (২) কামৈ অবুংলাওন, কৈশামথোং কবুই খুলদগীনা ওইখি।

**মেমোরেন্দম পীখি :**- "ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড লিষ্টতা শকখঙদুনা লৈরিবা কবুই ত্রাইব অসি লাক্কদৌরিবা খৃ: ২০০১গী সেন্সস রেকোর্দতা পুংমুৎ মুখৎনবা হায়রিবা ত্রাইব অসিগী মীওই খরদংগী ইন্টরেষ্টতা য়েংদুনা কবুই হায়না লৈজরক্লিবা ফূরুপ অসিবু হৌজিক্তা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্নবা হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্স চঙশিল্লকপা অসি কবুই ফূরুপনা তরাই তরাইনা লৌবা চুমদে। অশেংবা অমসুং অচুম্বা খঙদোক্লবা য়াম্না খন্ন-নৈনবা দরকার ওই হায়না কবুই সমিটিনা লৌদুনা জুলাই ৮, ২০০০ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা ইম্ফালগী এম দি য়ু হোলদা কবুই ফূরুপকী মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কবুই সমিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট শ্রী আর লুংপুইগা কবুইনা সভাপতি ওইবীখি। মীটিং অদুদা কবুই ফূরুপকী শক্লাইরবা মীওই ১৭না ৱা ঙাঙখি। য়াম্না কূপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কবুই ফূরুপকী মিং হোংদোকপা য়ারোই হায়না মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখি।"

ওগষ্ট ৭, ২০০০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা কবুই সমিটি মণিপুরনা দি রেজিষ্ট্রার জেনরেল এন্দ সেন্সস কমিস্নার, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা মেমোরেন্দম পীখি।

অসুম্না কবুই সমিটিনা মতম মতমগী মতুংইন্না লৈবাক্কী ওইবা, ফূরুপকী ওইবা থবক কয়া তৌদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।